ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
PRIDE MONTH

ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা বি জে পি ককচীং মন্দল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি অমসুং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন পাঙথোকখিবা

অপুনবা নুপী লুপকী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

অমুকো অমদি একতা পরিষদনা মতেং পাংখ্রে
☛ লামায় ৩

দিপার্টমেন্ট অয়াম্বা শেঞ্জা থুমজাগী মকোল ওন্থোরক্লে : এম পি পি
☛ লামায় ৬

উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টতকী পুলিসনা গঞ্জা কেজি ১৭৩ ফারে
☛ লামায় ৭

এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোশ্বামিনা লুচিংদুনা থা অসিগী ৯দা লৈখিদ্রবা মীদিয়া কোওর্দিনেটর দেভিদ থাংমুৰানশাং সিমতেবু নীংশিংদুনা চূড়াচান্দপুরগী এ বি সী ওর্ফনেজ হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখিবা

Vol. 45, Issue No. 088 | য়ূমশকৈশা, ইঙাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 23, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

সাহিত্য সম্মিটি থৌবালগী ইবোহল লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাহিত্য সম্মিটি, থৌবালগী পেট্রোন মেম্বর ওইদুনা সাহিত্যগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ৱাইখোম ইবোহলনা ঙরাং লৈখিদবদা সম্মিটি অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা মীফম অমনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি।

এন পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী প্রসিদেন্ট এন কাইসিনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দগী শৈখ নুরুর হসনবু পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইনা খনখ্রে।

মীওই ২ শিরম্লে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ময়াং ইম্ফাল পি এসকী মনুং চনবা কোমলাখোং ময়ায় লৈকায়গী ইম্ফাল তুরেলদা চহী ৫০ মুক শুরগদবা মীওই অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে হায়রি। অমরোমদা ঙরাং অয়ূক পোরোম্পাৎ পি এসকী মনুং চনবা কোনুং মমাঙ পুলৈরোম্বা লৈকায় নোংপোক ইম্খোলগী অশানবা য়ূম অমদনা অজয় মজুমদার (৪৫) অপোকপা অভিনাস মজুমদার কৌবা অসামদগী লাক্লগা য়ূম শাবগী মিষ্ট্রি ওইবা মীওই অমা শিরগা লৈরম্লে হায়রি।

রিমসনা ঈ পি এফকী থবক লৌখৎলে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): রিমসনা মসিগী কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ী পূন্নমকপু মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টগী ৰেব পোর্টেলদা ঈ পি এফ কোদ অমসুং পাসৱার্দ ফংনবগীদমক ঈ পি এফ ওগী এনফোর্সমেন্ট ওফিসরগী মতেংগা লোয়ননা থবকশিং লৌখৎপা হৌরে হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
স্বাইদগী শাবা ৩৪.৪৬ °C
স্বাইদগী ঈংবা ১৭.৫৩ °C
মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ০৪.৭১
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Leingakki control itemsingda yaoriba cheng makhal asi yenthokpham thoktaba meeoisingna yellibasi achumba khongthangla?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Pneumococcal Conjugate Vaccinegi media sensitisation pangthokpagum Delta Varientgi matangdasu pangthokpham thoktabra?

Yes 89% No 11%

অস! লোইরেহে!

- ইচাশা ঐবু শম অমুক্তদি ককপীয়ু।



- বাজি, ঐসু শম ককপা হৈতে, ঐসু আলেকজেন্দর মাল্লবনি।

এ আরগী মেজর অলোকনা এন্টিসিপেটরি বেল পীবিয়ু হায়জরকপদা হায় কোর্টকী ৱাফম

‘সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পুলিসনা আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিং ফাবা য়াদে’

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৪গী নুমিদাংদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা আই টি রোদকী চলৱাদা অসাম রাইফলসকী মেজর অমনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মফম অদুগী মাংবোইলাল লৌভুম (৩২) অপোকপা সেলম লৌভুম কৌবা মীওই অমা লৈখিদবগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেসতগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়রগী হিয়ারিংদা হায় কোর্টনা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী সেক্সন ৪৫গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না পুলিসনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদ্রগদি আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিং ফাবা য়াদে হায়খ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ২১ (৬) ২০২১নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২, ৩৪ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৭কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ জুন ৫, ২০২১দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা প্রেয়র তৌরকখিবশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গেলনেল (বাংলাবুং) ভিলেজদা লৈবা ৪৪শুবা অসাম রাইফলস ‘ঈ’ কম্পেনিগী পোষ্ট কম্মান্দর মেজর অলোক শাথে (৩১) অপোকপা প্রসান্না ৱাই শাথেনি। মহাক মুম্বাইগী মুলুন্দ ইষ্টকী মনুং চনবা হরিওম নগরদগীনি। অদুগা মহাক্কা লোয়ননা কেস অসিদগী এন্টিসিপেটরি (প্রী-এরেষ্ট) বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা অসাম রাইফলস কম্পেনি অসিগী পর্সনেল অদুগী মমিংনা এস এন অমর লমকাং (৩৮) কৌই। ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈঙাং চীংদগী এস এন অংতোই লমকাংগী মচানুপানি।

মখোয় অনীনা কেস অসিদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা পিটিসনশিং অদুবু হায় কোর্টনা এ বি নম্বর ২৫ ওফ ২০২১ অমসুং ২৪ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎলগা ঙরাং খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখি। অদুম ওইনমক কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা এন্টিসিপেটরি বেল প্রেয়রগী পিটিসনশিং অদুগা মরী লৈননা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎলকফম থোকপা থবকশিংগী মনুংদা অৱাৎপা খরা লৈবদগী মেট্টরশিং অদুঙসি কোর্টঅসিগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপখি। অদুগা মহাকপু কাউন্সেল এল আনন্দনা এসিষ্ট তৌখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদনা পব্লিক প্রোজিক্যুটর ঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মেজর অমা অমসুং পর্সনেল অমনা প্রেয়র তৌরল্লিবা অসি কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগা মরী লৈননা মখোয় অনীবু কাংপোকপী পি এসকী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

মণিপুরগীদি নুপী ৫,৩০০দগী হেন্না ৱিদো পেন্সন পীবা ঙমদ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অৱাৎ-অপা মেনশিনগনি অমদি মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবিদুনা লৈবাক্কী থৌগল তৌগনি হায়না চোঙথোক্লরকপা লৈঙাকপশিং ফনা য়াম্না লৈরবসু মণিপুরগী মপুরোইবগা শেৎন-খায়নরবী নুপীশিংগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা অমখক্তা ঙাইরিবা তেংবাঙ - ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী থাগী লুপা ৩০০ খক্তং ফাওবা ৱিদো পূন্নমক্তা ফংহনবা ঙমদবা অসি পেন্দে হায়না ঙসিগী ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দেগা ইরোইননা পাউচে অসিনা অখন্ননা ৱারী শানরুবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী কয়ানা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি ৬০গী মনুংদা লৈরিবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিং অয়াম্বনা ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরি হায়বগী চপ চাবা খুদমশিং ফংলে। চৎলিবা চহী ২০২১ অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যেরদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা অসি শুপ্পগী হৌজিক্কী ওইনা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী ৫,৩০০না ফংলি হায়রি। দেটা অসিনসু অদুমক ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি ষ্টেট অসিদা ইম্ফাল ময়োলগী অমদি খুঙ্গংগী লোইজিং লোইয়াদা লৈবী মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী কয়া ঙসিসু ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরম্লে।

মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা পীবা ৱিদো পেন্সন স্কিম লৈ হায়বদি তাই। অদুবু কনা অমত্তনা ঙসি ফাওবদা ৱিদো পেন্সন ফংনবা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং, প্রধান, মেম্বর অমদি জিলা পরিষদনচিংবগী থৌ পুবশিংনা হংবিরবা অমদি শিনবিবা লৈত্রি। তশেংনা হায়রিবা স্কিম অসি কদাইদা চৎলগা কনাদা তান্নরগা ফংবা ঙমগনি খঙদবনসু স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমদবনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চৎথখিবা গো টু ভিলেজগী থৌরমদা মায়কৈ-মায়কৈগী ওইনা লাকপদা ৱিদোশিংগী পেন্সন স্কিম পীবিনবা হায়দুনা আধার কার্দ অমদি ফোটোনচিংবা পীখিবসু লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা মনা-মনিল অমত্তা নাইদনা তুমিন্না অদুমক লৈখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দে - ২০২১

ভেক্সিনগী মতাংদা লান্না শন্দোক্লুবা রাইফলমেন জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা সোসল মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্মশিং ওইরিবা ফেসবুক অমসুং ৱাটসএপতা মিনট ৭.৩০ শাংবা ভিদিও অমদা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকশিন্নবগীদমক চথরক্লিবা হীদাক কাপ্পগী মতাংদা মীয়ামদা লান্না শন্দোক্লুনা ভাইরেল ওইহনখিবনি হায়বা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন অমা কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মথং থাগী ৬ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং খোইস্নাম শান্তিকুমার (৪১) অপোকপা কে ঐচ জিলা মৈতে কৌই। লাইরেঞ্জম অৱাং মেকোলাদগীনি। মহাক্কী থৌওং অসিগী মায়োক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা পেন্দমিক দিজিজ এক্ট (পি দি এ), ১৮৯৭কী সেক্সন ৩ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৫০৫ (১) (বি), ৫০৫ (২), ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৯২ (৬) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। লোয়ননা ফারবা মহাকপু ঙসি ফাওবদা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা থম্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী রিমান্দগী মতম ঙসি লোইরদুনা পুলিসনা কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখি। মসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবিনবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী প্রোসিদিং হায় কোর্টনা চৎনহন্দনা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা মীওই অমনা কুমজা ২০১৮দগী য়ূম্বানমীন্নরকখিবী নুপী অমগী মনাক্তা মহৌশাগুম্না নুংশিননা য়ূম্বানমীন্নদুনা লৈমিন্নহনবীয়ু হায়দুনা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, লম্ফেল পাৎতা ৱাকৎলুবদগী কম্মিসন অসিনা লৌখৎলকখিবা কেসকী প্রোসিদিং পূম্নমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

য়ূম্বানমীন্নরকখিবা মীওইশিং অদুনা ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকায়দগী থোকচোম চন্দ্রসেখর (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবোহল অমসুং মহাক্কী লোয়নবী থরোইজম নিংঙোল রঞ্জিতা (৩১) অপোকপা টি ঐচ ইরাবোত, থরোইজম ময়ায় লৈকায়দগী হৌজিক্কী লম্লাইগী চালৌ মনিং লৈকায়দা লৈরবীনি হায়রি।

চন্দ্রসেখরগা রঞ্জিতাগা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী য়ূম্বানমীন্নদুনা চালৌ মনিং লৈকায়গী মফম অমদা য়ূম শাদুনা লৈমিন্নরকখিবনি। মসিদগী চন্দ্রসেখরনা মহাক্কী লোয়নবী অসিবু লম্লাই কৈথেলদা দুকান ফমহল্লকখি হায়রি। অদুবু মখোয় অনীগী মরক্তা হৌখিবা থা ২/৩ লোমসিগী মনুংদা নুংঙাইনদবা অমদি খৎন-চৈনবনচিংবা থোরকপদগী ওর্গনাইজেসন ফোর ইন্দিয়ন ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইম, কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা লৈবগী প্রসিদেন্ট এম প্রভানা চন্দ্রসেখর অমসুং রঞ্জিতাবু মহৌশাগুম পূন্না য়ূম্বানমীন্নদুনা লৈহনবীনবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না কম্মিসন্না কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ৪২ ওফ ২০২১ লৌখৎলগা রঞ্জিতাদা নোটিশ/সমন অমা থা অসিগী ১৪দা পীরক্তুনা মহাকপু থা অসিগী ১৭কী অয়ূক পুং ১১ তারকপদা কম্মিসন্দা কারকহুনখি। লোয়ননা কম্মিসনগী মায়কৈদগী রঞ্জিতানা হৌজিক লৈরিবা চালৌ মনীং লৈকায়গী লম অদুগী মরী লৈনবা চে চাংনচিংবা পুরক্তুনা থা অসিগী ৩০দসু অমুক হন্না কারক্লুবা খঙহল্লকখি। করিগুম্বা নুমিৎ অসিদা মহাক লাক্তুবদি মহাক্কী মথক্তা ৱারেন্ট ওফ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এম্বুল্যেন্সনা থোম্বদা মীওই ১ শিরে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল পুং ৪.১৫ রোম তারকপদা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী ক্বাকৈথেল ত্রাফিক পোইন্টকী ক্রোসিং ময়াদা গাড়ী মচ (হিরো হোন্দা) থৌরকখিবা মীওই অমা বিষ্ণুপুর রোমদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ পেসেন্ট পুরদুনা ইম্ফাল তম্না থৌগৎলকপদা এম্বুল্যেন্স অমনা থোম্বদগী মফম অদুমক্তদা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং থোকচোম বিশমভোর (৫৩) অপোকপা টি ঐচ মনি কৌই। তেরা তোংব্রম লৈকায়দগীনি হায়রি।

ক্বাকৈথেলগী ত্রাফিক ক্রোসিং অদুদা ত্রাফিক পুলিস পর্সনেলশিংসু লৈনা লৈনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকহনখিবনো হায়রদুনা থৌদোক অদুবু হকথেংনহৌখিবা মীওইশিংনা হায়বদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু খাগেম্পল্লিরোমদগী ত্রাফিক ক্রোসিং অদু লাম্থোক্তুনা ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায় তাবা লম্বীরোমদা চৎননবা হোৎনখিবনি হায়রি। থৌদোক্তু থোকপগা মহাকপু পম্ভদনা রিমসতা পুখৎখি। অদুম ওইনমক লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মতম খরগী মমাঙদসু ত্রাফিক ক্রোসিং অসিমক্তদা লৈশাবী অনী টাটা ত্রক অমনা পুল্লপ থোন্নগা চেন্দুনা পুবদগী লৈখিদবা থৌদোকসু থোকখ্রবনি। মরম অদুনা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী মায়কৈদগী ক্রোসিং অদুদা দ্যুটি তৌরিবা ত্রাফিক পর্সনেলশিংনসু খরগা হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা চৎলিবা গাড়ীশিংগী স্পিদ কন্ত্রোল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোক্লরকখি।

পুলিসনা ফাবা ক্বা মনা পোলাং ৯ দিস্পোজ তৌনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা ক্বাকৈথেল ক্রোসিংদা কর্ফিয়ু ভাইওলেটরশিং ফ্রিস্কিং অমসুং চেকিং তৌদুনা ফাগৎপগী থবক চথখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী এ এস আই জেমস সুরেসনা লুচিংবা টিম অমনা এয়রপোর্টরোমদগী মারুটি ইকো ভেন এম এন-০১/এস-২২৮৯দা পুরকখিবা ক্বা মনা পোলাং ৯ ফাগৎখিবগা লোয়ননা ঙসি কোর্টতা পুথোরকখিবদা কোর্টনা ক্বা মনাশিং অদু দিস্পোজ তৌনবা পুলিসতা দিরেক্সন পীখ্রে।

কম্মান্দোগী এ এস আই অসিনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্দা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ক্বা মনা পোলাং ৯ অদু গাড়ী অদুদা হাপ্লগা থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায়দগী বিকাস (২৭) অপোকপা কে বোয়াই অমসুং চঙাঙ্গৈ মখা লৈকায়দগী য়ুম্নাম মালেমঙানবা (২১) অপোকপা ৱাই বাবু কৌবা নহা অসিনা পুরকখিবনি হায়রি।

ক্বা মনাশিং অসু উৎলৌদগী পুন্সিবা কৌবা অমগী গোদাউন অমসুং ক্বা মনাগী বিজিনেস অদুগী মপুশিংনি হায়রিবা রাজু অমসুং প্রেমজিৎ কৌবা মীওই অনীনা হায়রকপগী মতুংইন্না কৈশাম্পাৎতা লৈবা কে টি গোদাউন্দা থম্লবা পুরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ক্বা মনাশিং অদু ইসেন্সিএল আইটেমশিংগী মনুংদা চন্দে। অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথিংবা থল্লিবা য়ু, হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাওবগীসু মনুং চন্দ্রবসু হীদাক মনা অমদি ক্বা মরূগা লোয়ননা চাগদবা পোৎলম ওইবনা হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিগীদমক লৌখৎলল্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ফাগৎপনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮, ২৬৯, ৩৪গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ৯৪ (৬) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক ক্বা মনাশিং অসিগা কোন্ননা ফারবা নহা অনী অদুবুদি পর্সনেল রিলিজ (পি আর) অমদি বেল বোন্দনচিংবা ফর্নিস তৌহল্লবা মতুংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

পোজিটিভ কেস ৫৭৫ থেংনখি, মীওই ১০ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস মশীং ৫৭৫ থেংনখি অদুগা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১০ লৈখিদে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা কেস মরিনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা কেস মশীং ৫৭১না জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ২৭৯ অমসুং নুপী ২৯২নি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ৪৭, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) ২৫, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৩৩৮ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ১৬৫ থেংনখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টতগী ১০০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২২৪, থৌবাল ৬৭, বিষ্ণুপুর ২৮, ককচীং ৪৩, উখ্রুল ১০, চূড়াচান্দপুর ৩০, চান্দেল ২১, সেনাপতি ৩, তমেংলোং ৮, তেংনৌপল, ৭ জিরিবাম ১৬, কাংপোকপী ৯, কামজোং ২, ফেরজেল ২ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমনি হায়রি। মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী মথৌ তাবা থবকশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই ১০ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২, ইম্ফাল ইষ্ট ১, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ৩, তেংনৌপল ১, কাংপোকপী ১ অমসুং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মীওইশিং অসি রিমসতা ৩, জেনিমসতা ২, শিজ হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ২, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, মোরেগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১ লৈখিদবনি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১০৬৫ শুরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৪৯নি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৩৫না হোম আইসোলেসন্দগীনি। অদুগা মীওই ৫/৫না রিমস অমসুং জেনিমসতগী দিসচার্জ তৌখ্রগা মীওই ১৭০না কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখি। অদুগা মীওই ১৩৪না কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেস মশীং অয়াম্বা চাংদা থেংনরকখিবা অসিনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৪,৯৯৩ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬১,১৮৭নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দা থাবা কোবিশিং পাক্তক্লনা মাঙলে

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লায়না অসিবু লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুনচিংবগী অথিংবশিং থমজিল্লকপনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়গী লৌ পরি ৫/৬তা মহৌশাগুম্না শেদাং য়াম্না ফংগনি খন্দুনা থারুবা কোবি ফুলশিং য়োনফম লৈত্রিঙৈগী চৈরক্তা নোং চুশিল্লকপা অমসুং নুংশা অমুক শাজিল্লকপনা মরম ওইরদুনা পাক্তক্লনা মাঙলে হায়রি।

মনা-মশিং থাবা য়াওনা লৌউ-শিংউবনা মশাগী শিনফম ওইজরিবা মফম অসিগী লৌমী লুখোই সাপমনা ফোঙদোরকপদা ৱাবগাই থিঙেল লৈকায় অসি ইম্ফালদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ৪০ রোমদমক লাপ্না ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবনি। লৈকায় অসিসু সেকমাই তুরেল মপাল নক্লা লৈবনা মফম অসিদা মহৈ মরোং, মনা-মশিং থাদুনা মরাং কায়না পুথোকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লি। অদুবু মফম অসিগী মথৌ তাবা ঈথৈ-লৌখোং অমদি লম্বীনচিংবশিং অসিগী ফীভমশিং খজিক্তংগা ফগৎহনবীরবদি মফম অসিগী লৌমীশিংনা শেন্থোক লৈবা মনা-মশিং অমদি মহৈ মরোংশিং মায় পাক্লা পুথোকপা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্কী লৌ পরি অমা য়াওনা থংনবদা লৈবা চাওরাক্লা লৌ পরি ৫/৬ রোমগী মফমশিংদা মহৌশাগুম কোবি ফুলশিং লোইনা থাবনি। অদুবু কোবিশিং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

জেসামিদগী অকাস ব্রিদজ ফাওবগী লম্বী কোয়লাস থাবা লোইবগা খূৎনা ফক্কৎপা য়ারে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জেসামি খুলদগী অকাস ব্রিদজ ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বীগী কিলোমিটর ১৪ রোম শাংবা শরুক্কী লম্বী অসি নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) গী মখাদা কোয়লাস থাবা হৌরকপা নুমিৎ মঙানি খক্কী মনুংদা খূৎনা লোইনমক ফক্কৎপা য়ারে হায়রদুনা জেসামি ভিলেজ কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ক্বালিটি কন্ত্রোল তৌদ্রবদি লম্বী শেম্বা তোকপীরো নৎত্রগনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা শেম্বীগদবা মীওইদা খূৎশিন্নবীরো হায়রি।

থৌওং অসিদা খোইশাওনরবা জেসামিগী খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী জেসামি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫